# যুম্ফম-ওইবা
# খৃষ্টানগী পুন্সি

# মর¦ওইবা খৃষ্টগী তুংইনবশিংগী পুন্সি

## <u>ৱাহৌদোক</u> ঃ

নহাক্কী পুন্সিগীদমক ঈশ্বরনা ফজরবা পান্দম অমা থম্মী। মী খুদিংমক্কী, হায়বদি নঙসু য়াওবা, পুন্সিদা মায় পাকপা হায়বসি ঈশ্বরনা থমবীরম্বা পান্দম অদু মখোয়না থুংহনবা অমসুং থুংহনদবা অসিগী মখা পোল্লী। ঈশ্বরনা থমবীরম্বা পান্দম অদু খংনবা অমসুং পাংথোকপা ঙমনবা, ঐখোয় নুমিৎ খুদিংগী যীশুগীদমক হিংবা তমগদবনি। অসি পাংথোকপা ঙমনবা মসিগী পারা অসি শেমবনি।

পারা খুদিংগী তাংকক অহুমথোক□ । খায়দোকই, মদুদি (১) সাস্□ । নৈনবা, (২) মর¦ওইবা ৱাহংশিং হংবা অমসুং, (৩) সাস্□ । ওরাইবা অসিনি। সাস্□ । নৈনবা অসিনা নঙোন্দা ঈশ্বরগী ৱাহৈগী অচুম্বা অদু তাকপীগনি। মর¦ওইবা ৱাহংশিং হংবা অসিনা নঙগী পুন্সিদা ঈশ্বরগী ৱাহৈ অদু শিজিন্নবদা মতেং পাংগনি। অদুগা সাস্□ । ওরাইবা অসিনা নঙগী থম্মোইদা অচুম্বা অদু থমজনবদা মতেং পাংগনি।

মসিগী পারা  অসিদা নহাক□ । নহাক্কী  সমশ্যাশিংগী হৌরকফম, নহাক্কী য়েকনবা কনানো অমসুং মহাকপু করন্না মাইথিবা পীগনি, নহাক্কী সমশ্যাশিংবু কোকহন্নবগী পামবৈ, অমসুং যীশুগীদমক্তা করন্না হিংগদগে অদুগা ঐখোয়গী পুন্সিগী ওইবা ঈশ্বরনা শেমবিবা পান্দম অদু করন্না থুংহনগদগে হায়বদু নহাক□ । খঙগনি।

প্রার্থ্নাগা লোয়ননা পারা খুদিংমক পাবা হৌগৎপিয়ু। নশাগী ওইবা ৱাহৈশিংদা পাওখুম পিবিয়ু। নহাক□ । তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙমনবা ঈশ্বরদগী মতেং নিয়ু। ঈশ্বরগী ৱাহৈ অসি নৈনবা মতমদা ঈশ্বরনা বোর পিবা ওইসনু।

## *যুম্ফম-ওইবা খৃষ্টানগী পুন্সি*
### *অহানবা পারা*
### *শমশায়*
### *(পাপ)*

***শাশত্র নৈনবাঃ*** *পীরীবা শাশত্রশিং অসিগী মতুং ইন্না পাওখুম খুদিমক খুমবিয়ু ।*

*১) পাপ হায়বসি করিনো? ১ জোহন ৩ঃ৪; যেমস ৪ঃ১৭; রোমী ১৪ঃ২৩(ষ)*

*২.) মাথি ১৫ঃ১৯ গী মতুং ইন্না পাপ কদাইদগী হৌরকই?*

*৩) পাপকি মহৈ করিনো? য়েমস ১ঃ১৪-১৭; রোমী ৬ঃ২৩ স।*

*৪.) ঈশ্বরগা ঐখোয়গা লৈনবা মরীদা পাপনা করি অকায়বা পোরকই? যসাইয়া ৫৯ঃ২*

*৫). পাপ চেল্লিবসি কনানো? রোমী ৩ঃ২৩*

*৬). পাপতগী লাপথোক্লবা হোৎনদবা মীওইবদা ঈশ্বরনা করি তৌগনি? পাওরৌ ১০ঃ২৯(ষ)*

***মরু-ওইবা ৱাহংশিং*** *ঃ নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্লানবা ।*

*১) নহাক্না তৌখিবা/তৌখ্রবা পাপ অদু খঙ্ব্রা? খঙই------------- খঙদে--------------*
*খঙদবা তারবদি, নহাক্কি পাপ অদু খঙ্হনবিয়ু হায়দুনা ঈশ্বরগী মফমদা হৌজিকমক হায়দোকচৌ অমসুং পুক্লিং হোংজৌ।*

*২). নহাকপু পাপ তৌহল্লিবা নহাক্কি থম্মোইদা লৈবা ৱাখল অমসুং শাজৎশিং অদু করিনো?*

*.৩). নহাকপু পাপ তৌরুবদগী নহাক্না থেংনরিবা সমস্যাশিং অদু করিনো?*

*৪) পাপতগী নিংখা তম্নবা ঈশ্বরগী ৱাহৈ বাইবলনা নঙোন্দা তৌ হায়বা হিরম খুদিংমক তৌন্নবা নহাক শেমশারব্রা?*
*শেম শারে--------------- শেম শাদ্রি------------------*
*হৌজিক ফাওবা শেম শাদ্রবদি পুক্লিং হোংবদা মতেং পাংবিয়ু হায়দুনা ঈশ্বরদা হায়জৌ।*

***শাশত্র নিংশিংবাঃ*** ***<u>রোমী ৩ঃ২৩</u>*** *চিন্ফা পুদুনা থম্মোয়দা লৈযদননা থম্বীয়ু।*

*সমস্যা খুদিংগী হৌরকফমদি পাপনি।*




***যুম্ফম-ওইবা খৃষ্টিনগী পুন্সি***

***অনিশুবা পারা***

***পাপ অমসুং সমস্যা অসিদগী নাম্থোকনবা পাম্বৈ***

***(অরান খুভম)***

***শাশত্র নৈনবাঃ*** *পীরীবা  শাশত্রশিং অসিগী  মতুং ইন্না পাওখুম খুদিমক  খুমখিয়ু ।*

*১) ঐখোয়বু পাপতগী কোকপিনবা ঈশ্বরনা করি তৌবিখি? রোমী ৫ঃ৮*

*২) যীশুবু ঐখোয়গীদমক শিবিনবা ঈশ্বরনা থাবিরক্নখিবগী মরম অসি করিনো? য়োহন ৩:১৬*

*৩) যীশুনা শিবা মতমদা ঐখোয়গী পাপকিদমক মহাক্না করি তৌবিখি? এফিস ১:৭*

*৪). পাপ কোকপিবা ফংন্নবগীদমক ঈশ্বরনা অতোপ্পা লম্বী অমা পিবিব্রা? পাওখোনচৎপ ৪:১২*

*৫) ঈশ্বরগী মফমদগী ঙাকপিবা ফংন্নবগীদমক ঐখোয়না করি তৌগনি?    পওখোনচৎপ ৩:১৯*

*৬) পুক্নিং হোংবগী মথক্তা, মীওই অমনা ঈশ্বরগী তুং মপুং ফানা ইন্নবগীদমক তৌগদবা মথৌ অনি অদু করিনো?*
*রোমী ১০:৯-১০*

৭) যীশুনা ঐখোয়গী প্রভু ওইরবদি ঐখোয়দা মহাক্না তৌহন্নিংবা অদু করিনো?
লুক ১৪:২৬, ২৭, ৩৩ ; মাথি ১০:৩৭-৩৯

৮) যীশুনা ঐখোয়গী প্রভু অমসুং কনবিবা মপু ওইরকপদা ঐখোয়গী পুন্সি করি ওইরকই ? ২ কোরিন্থিয় ৫:১৭

৯) ঐখোয়না ঈশ্বরগীদমক হিংবা ঙম্নবগীদমক মহাকনা ঐখোয়দা করি পীনবী? লুক ১:১৩

১০) খৃষ্টদা অনৌবা মীশক অমা ওইনা ঐখোয়না করম্না হিংগনি? গালাতীয়া ২:২০ ; ৫:২৪-২৫

১১) থৱায়গী মপান্না চৎনবগীদমক থৱায় অশেংবগী মপূং ফাবা শক্তি অদু করম্না ফংগনি?
পাওখোনচৎপ ১:৫, ৮ ; ২:১-৪; ৪:৩১

১২.) ঈশ্বরদগী অরান-খুভম অদু ফংলবা মতুংদা পাপকী মথক্তা মাইপাক্না হিংনবগীদমক ঐখোয় করি তৌগনি?
গালাতীয়া ৫:১৬-১৮; ১ য়োহন ৫:১-৩; রোমী ৬:১৭-১৮

১৩) পাপতগী পুক্নিং হোংদুনা যীশুবু ঐখোয়গী প্রভু অমসুং কনবীবা মপু ওইনা লৌশিনজরে হায়না ঐখোয়না করি তৌরগা উৎপনো? রোমী ৬:৪; গালাতীয়া ৩:২৭

**মরুওইবা ৱাহংশিংঃ** নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্নানবা ।

১) ঈশ্বরনা নঙবু নুংশি হায়বসি নহাক থাজব্রা? যীশুনা নঙগীদমক শিবিখ্রে হায়বসি নহাক থাজব্রা? অমসুং যীশুগী মপানখক্তনা ঐখোয়গী পাপ কোকপীবা ঙমই হায়বসি নহাক থাজব্রা?
থাজৈ ----------------- থাজদে---------------থাজদবা তারবদি ঈশ্বরগী নুংশিবা অমসুং অরান-খুভম অদু নঙোন্দা তরং-তরং খঙনবা মহাক্কী মফমদা হৌজিকমক প্রাথনা তৌ।

২.) নঙগী পাপশিংদগী নহাক পুক্নিং হোংলব্রা? যীশুদা নঙগী থম্মোয় পিখ্রব্রা? মীশিংগী মমাংদা যীশুবু নহাক্কি প্রভুনি অমসুং কনবিবা মপুনি হায়না হায়দোক্লব্রা? হায়রিবশিং অসি তৌরে .............. তৌদে ...... ।
হায়রিবশিং অসি তৌদবা তারবদি মসিগী প্রাথনা অসি তৌবিয়ু অমসুং নহাক্না থেংনবা মী অহানবা অদুদা যীশু নহাক্কি প্রভুনি অমসুং কনবীবা মপুনি হায়বা তমউ।
ম্লইপা ঈশ্বর নহাক্না ঐবু নুংশি হায়বসি যীশুনা তৌখিবা অদুনা ঐঙোন্দা উৎপিবগীদমক থাগৎচরি। ঐনা নহাকপু দরকার লৈ। সৈতানদগী অমসুং মসিগী তাইবঙপান অসিগী পোৎশিংদগী ঐখোয় ওনজরক্লে। ঐগী থম্মোয় হাংদোকচরি অমসুং ঐগী পাপশিংদগী পুক্নিং হোংজরি। যীশু, ঐগী পাপকিদমক নহাক্না শিবিদুনা অমুক হন্না হিংগৎপিখ্রে হায়বসি ঐনা থাজৈ। ঐগী থম্মোয়দা লেংশিনবিয়ু অমসুং ঐবু কনবিয়ু। ঐগী পুন্সি নহাক্কি মখাদা থম্বীয়ু অমসুং ঐগী প্রভু অমসুং কনবিবা মপু ওইবিয়ু। নহাক্কিদমক হিংবা ঙমনবগীদমক নহাক্কি থৱায় অশেংবনা ঐবু থলহলবিয়ু। ঐগী প্রাথনা তাবিবগীদমক নহাকপু থাগৎচৈ। প্রভু যীশুগী মিংদা হায়জবনি। অমেন

*৩). নহাক নশামক যীশুদা নহাক্কি প্রভুনি হায়দুনা পিশিঞ্জখ্রা? নহাক্কি লৈজবা খুদিংমক অমসুং নহাক্কি পুন্সিগী পান্দম খুদিংমক যীশুদা নহাক্কি প্রভুনি হায়না পিশিঞ্জখ্রা? পিশিঞ্জখ্রে---------------. পিশিঞ্জদ্রি------------------.*
*পিশিঞ্জদ্রবদি হৌজিকমক প্রাথনা তৌদুনা ঈশ্বরগী মফমদা নহাক্কি লৈজবা খুদিংমক পিশিঞ্জৌ। মহাক্কি শেবা তৌনবগীদমক ঈশ্বরগী মফমদগী জ্ঞান লৌশিং নিজৌ।*

*৪) নুমিৎ খুদিংগী ঈশ্বরগী **ৱা**হৈগী মতুং ইন্না হিংবা ঙন্নবা মহাক্কি **থৱা**য় অশেংবনা থলহলবিয়ু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা হায়জখ্রা? হায়জৈ------------হায়জদে------------- মহাক্কি **থৱা**য় অশেংবনা থলহনবিদুনা হায়বা ইনবা থম্মোয় অমা পিবিয়ু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা হৌজিকমক প্রাথনা তৌজৌ।*

*৫) ঈশিংদা বাপটাইস তৌদুনা যীশুনা হায়বদু নহাক্না ইল্লব্রা? তৌরে---------------- তৌদে-----------------*
*তৌদবা তারবদি অথুবা মতমদা ঈশিংদা বাপটাইস তৌবিয়ু।*

***শাশত্র নিংশিংবাঃ** <u>**য়োহন ৩:১৬**</u> চিন্ফা পুদুনা থম্মোয়দা লৈযদননা থম্বীয়ু।*

*ঈশ্বরগীদমক হিংবা ঙন্নবা ঐখোয়গী পুন্সি অসি ঈশ্বরদা পুমপী পিসিন্দুনা।*



## *যুম্ফম-ওইবা খৃষ্টানগী পুন্সি*
## *অহুমশুবা পারা*
## *পুন্সিগী পান্দম*
## *(লোম্বা নাইদবা পুন্সি)*

***শাশত্র নৈনবাঃ*** *পীরীবা শাশত্রশিং অসিগী মতুং ইন্না পাওখুম খুদিমক খুমবিয়ু ।*

*১) লোম্বা নাইদবা পুন্সি হায়বসি করিনো?*  *য়োহন ১৭:৩*

*২) ঈশ্বর কনানো?*  *যসাইয়া ৪৬:৯; ঈশৈ ৯০:২; য়সাইয়া ৫৭:১৫*

*৩) ঐখোয়দা ঈশ্বরনা মশামকপু করম্না ফোংদোকপগে?*
*ইব্রিয় ১:১-২; কোলোসিয়া ১:১৩:১৬; য়োহন ১:১-৪, ৯, ১৪; ঈশৈ ১৯:১-৩*

*৪) যীশু অসি ঈশ্বরা? .*  *যসাইয়া ৯:৬; ইব্রিয়া ১:৮; য়োহন ২০:২৮*

*৫) যীশুনা শ্বর্গদা চৎখ্রবা মতুংদা ঈশ্বরনা মশামকপু করম্না ফোংদোক্কনি হায়না যীশুনা হায়বগে?*
*য়োহন ৪:২৪; ১৪: ১৬-১৭; ১৬:৭-১১*

*৬). ঈশ্বরগী মরু-ওইবা গুন ১৩ অদু করি করিনো?*

*(ক) য়িরময়োহ ২০: ২৩-২৪*
*(খ) য়োব ৪-২: ২*
*(গ) ১ য়োহন ৩: ২০*
*(ঘ) ১ য়োহন ৪: ১৬*
*(ঙ) ১ য়োহন ১: ৫*
*(চ) য়াসইয়া ৬:৩*
*(ছ) ঈশৈ ১০৩:৮*
*(জ) ১ তিমোথি ১:১৭*
*(ঝ) ২ তিমোথি ২: ১৩*
*(ঞ) দনিয়েল ৯:১৪*
*(ট) য়াসইয় ৪৫:২১*
*(ঠ) বোমী ৮:৩৩*

*৭) মীওইবগীদমক ঈশ্বরগী অনিংবদু করিনো?*  *২ পীতর ৩:৯*

*৮) মীওইবনা পুক্নিং হোংবা অসি ঈশ্বরনা করিগীদমক পাম্লিবনো?*  *১ য়োহন ১:২-৩*

*৯) নহাক্না ঈশ্বরগা লোয়নদুনা লৈবদা ঈশ্বরনা নহাক্কী পুন্সিদা করি তৌবা পাম্বগে?*  *২ তিমথি ১: ৯*

*১০) ঐখোয়গী পুন্সিদা ঈশ্বরগী পান্দম অদু ফংন্নবা অমসুং মপূং ফান্নবা ঐখোয়না করি করি তৌবা তাবগে?*
*ফিলেমোন ২:১২-১৩; ইব্রিয় ৫:৯*

**মরু-ওইবা ৱাহংশিং**ঃ *নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্নানবা ।*

*১). ঈশ্বরবু অমসুং মহাক্না থাবিরকখিবা যীশু খৃষ্টবু হেন্না খঙ্নবা নহাক্না হোৎনব্রা?হোৎনৈ------------------- হোৎনদে------ হোৎনদ্রবদি হেন্না খঙনিংবগী ইথিল অদু নঙোন্দা হাপ্পিয়ু হায়না ঈশ্বরদা হায়জৌ।*

*২) বাইবলনা ঈশ্বরগী মতাংদা হায়রিবশিং অসি নহাক থাজব্রা? থাজৈ---------------- থাজদে------------------ থাজদ্রবদি, নংগী থাজদবদু পুক্রিং হোংজৌ অমসুং বাইবলনা ঈশ্বরগী মতাংদা হায়রিবশিং অসি থাজন্নবা ঈশ্বরগী মফমদা হায়জৌ।*

*৩) ঈশ্বরগা নুমিৎ খুদিংগী লোয়ননা হিংন্নবা নহাক হোৎনব্রা? হোৎনৈ----------------- হোৎনদে-------------------*
*হোৎনদ্রবদি, ঙসিদগী হৌরো।*

*৪) নহাক্কী পুন্সিগীদমক ঈশ্বরগী অনিংবা অদু ফংন্নবা অমসুং মপূং ফান্নবা নংগী থম্মোয়না পামজব্রা?*
*পামজৈ----------------- পামজদে------------------- পামদ্রবদি, হৌজিকমক তৌনবা* **ৱা***রেপলো।*

*৫) খৃষ্টনা নংগী পুন্সিদা তৌন্নবা হায়বা য়াথং তৌবা পোৎশিংদু তৌননবা নহাক থীব্রা?*
*থী---------------- থদে---------------- থীদ্রবদি, ঈশ্বরনা হায়বা ইনবা থম্মোয় অমা পীন্নবা হৌজিকমক হায়জরো।*

***শশত্র নিংশিংবা***ঃ **<u>য়োহন ১৭:৩</u>** *চিন্ফা পুদুনা থম্মোয়দা লৈযদননা থম্মীয়ু।*

*ঐখোয়গী পুন্সিদা ঈশ্বরগী অনিংবদু মপূং ফান্নবা হিংবা দরকার লৈ।*



## *যুম্ফম-ওইবা খৃষ্টানগী পুন্সি*
## *মরিশুবা পরা*
## *য়েক্লবা*
## *(থৱায়গী ওইবা লানথেংনবা)*

***শশত্র নৈনবাঃ*** *পীরীবা শাশত্রশিং অসিগী মতুং ইন্না পাওখুম খুদিমক খুমবিয়ু ।*

*১) কনানা ঐখোয়বু মাংহনবা পাম্বগে?* *১ পিতর ৫:৮*

*২) ঐখোয়বু মাংহনবা সৈতানগা লোয়ননা কনা কনা মতেং পাংবগে?* *এফিসিয়া ৬:১২*

*৩) সৈতাননা করম্না ঐখোয়বু ঈশ্বরগী অনিংবদা চত্তনবা থেম্বগে?*
*মৈহৌরোন ৩:১-৬, ১৩; লুক ৪: ১-১৩; য়েমস ১: ১৪-১৬*

*৪) ঈশ্বরনা করিগীদমক ঐখোয়দা অথেম্বা য়াহনলিবনো?* *১ পীতর ১:৬-৭ ; রোমী ৫: ৩-৫*

*৫) ঐখোয় সৈতানগী অথেম্বদগী থোরকপা ঙমগদ্রা?* *১ কোরিন্থীয় ১০:১৩*

*৬) ঈশ্বরনা অথেম্বদগী নাম্থোক্লবা পীবীবা লম্বী অদু করিনো?* *মথি ২৬:৪১; এফিসিয়া ৬:১০-১১*

*৭) **থৱা**য়গী ওইবা লানফিজেৎ নিপান অদু করি করিনো?* *এফিসিয়া ৬:১৩-১৮*

*(ক)*
*(খ)*
*(গ)*
*(ঘ)*
*(ঙ)*
*(চ)*
*(ছ)*
*(জ)*

*৮) ঈশ্বরগী লানফিজেৎ অসিনা সৈতানবু করম্না মাইথীবা পীবা ঙমগদ্রা?* *২ কোরিন্থীয় ১০: ৪-৬*

*৯) ঐখোয়না সৈতান করম্না মায়থিবা পীবা ঙমগনি ?* *১ য়োহেন ৪:৪*

*১০) কনাগুম্বা অমনা অথেঙ্বদা য়াজদুনা তাবা পাপকী ফলশিংদগী থোরক্লবা ওইবা পোৎ মরিদু করি করিনো?*
*মার্ক ১৬:১৭; য়েমস ৫:১৬; ১ য়োহন ১: ৯; লুক ১৭: ৩-৪; লীচৎলোন ৬: ২-৫*

**মরু-ওইবা ৱাহংশিং** *ঃ নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্নানবা ।*

*১) নখোয়না সৈতান খঙবা ঙমব্রা, ঈশ্বর নল্রবা, মী নল্রগা ফীভমশিং, ঐখোয়গী য়েক্লব্রা? ঙম্মী-----------------ঙমদে------- ঙমদ্রবদি, হৌজিক্কী মতম অসিদা খংজনবা অমসুং থাজন্নবা নংগী থম্মোয়দু শেমজরো*

*২) নংগী খ্বায়দগী চাওবা অথেম্বা মফমশিং অদু করিনো?*

*ঈশ্বরদগী পাঙ্গল, লৌশিং অমসুং থৌনা হাংজদুনা, ঐখোয়গী পুক্লিং অমসুং* **ৱা***খল শেংনা থমদুনা অসিগুম্বা মফমশিং অসিদগী থোরকপা ঙমগনি।*

*৩) নংনা নুমিৎ খুদিংগী নংগী থ***ৱা***য়গী লানফিজেৎ অদু য়েংশিনজব্রা মদুনা সৈতানগী মফমদগী মাই পাকপা পুন্সি ওইবা ঙম্নবা? য়েংশিনল্লী---------------- য়েংশিন্দে------------------ য়েংশিন্দ্রবদি হৌজিকমক য়েংশিনবা হৌরো।*

*৪) নংগী পুন্সিদা ঈশ্বরগী অনিংবা অদুনা নংগী থম্মোয়গী অনিংবা অমসুং অপাম্বা ওইন্নবা নহাক্লা থীব্রা?*
*থী------------------ থদে---------------- থীদ্রবদি, হৌজিকমক থীবা হৌরো।*

*৫) নংনা নংগী পুন্সিদা অমদি অতোপ্পগী পুন্সিদা পাপশিংদগী মায়য়োক্লনবা ঈশ্বরনা তৌ হায়না তাকপীবা* **ৱা***হৈশিং অদুদা লেপতুনা তৌব্রা? তৌই------------------ তৌদে--------------- তৌদ্রবদি, ঙশিদগী তৌবা হৌরো।*

***শাশত্র নিংশিংগদবাঃ*** ***<u>১ পীতর ৫:৮</u>*** *চিন্ফা পুদুনা থম্মোয়দা লৈযদননা থম্বীয়ু।*

*ঐখোয়না মপুংফানা ঈশ্বরগী লানফিজেৎ শেৎচিনগদবনি।*



## *যুম্ফম-ওইবা খৃষ্টানগী পুন্সি*
## *মঙাশুবা পারা*
## *থৱায়দা চওখৎপা*
## *(যীশুগীদমক নিংবা তম্বা)*

***শশত্র নৈনবাঃ*** *পীরীবা শাশত্রশিং অসিগী মতুং ইন্না পাওখুম খুদিমক খুমবিয়ু ।*

*১) থৱায় চাওখৎন্নবা তাঙ্কক অহুম অদু করি করিনো অমসুং তাঙ্কক খুদিংগী করি ওইবগে?* *১ য়োহন ২:১২-১৪*

*(ক)*
*(খ)*
*(গ)*

*২) ঈশ্বরগী মরীদা হেন্না চাওখৎনবা ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী করি তৌবা তাবগে?* *লুক ৯:২৩; রোমী ১২: ১-২*

*৩) থৱাই চাওখৎনবা ঐখোয়গী থাজবদা করম্বা পোৎশিং থিদুনা তিনশিনবা দরকার লৈবগে অদুগা করম্বা মওংদা?*
*২ পীতর ১: ৫-১১*

*৪) ঈশ্বরদা চাওখৎলকপনা ঐখোয়গী পুক্নিং অমসুং ৱাখল নৌহনলে, ঐখোয়গী পুন্সিদগী ঈশ্বরনা করম করম্বা পোৎশিং লৌথোকপীবগে অমসুং অদু করম্বা পোৎশিংনা অমুক মহুৎ শিনজিনবীবগে? এমিসিয়া ৪:১৭-৫:১৬*

| **লৌথোকপীবা** | **হাপচিনবীবা** |
| --- | --- |

*৫) ঐখোয়গী থৱাায় চাওখৎনবা অতোপ্পগা অমদি ঐখোয়গা লৈন্নবা ৱাাফমদা করন্না নৈনগদগে?*
*মথি ৫:২৩-২৪; ১৮:১৫-১৭*

*৬) **থৱাায়** চাওখৎনবগীদমক ঐখোয় করন্না হিংবা তাবগে?* *রোমী ৮:৫-৬; গালাতীয়া ৫:১৬-২৫*

*৭) নংগী থৱাায় চাওখৎপনা ঈশ্বরগী মরীদা করন্না মতেং পাঙবগে?* *য়োহন ৭:১৭; ৫:১৭*

*৮) ঐখোয়গী পুন্সিদা ঈশ্বরগী অনিংবা তৌবনা করি লৌশিং ফংবা ঙম্বগে?*
*রোমী ৮:১, ১৩-১৪, ২৮, ৩১, ৩৫-৩৯; কোলোসিয় ১: ৯-১৩*

***মরু ওইবা ৱাাহংশিং:*** *নখোয়না তমখ্রিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্লানবা ।*

*১) নহাক্কী **থৱাা**য়গী ওইবা পুন্সিদু করম্বা তাঙ্কক্তা লৈবগে?*

*২) **থৱাায়** চাওখৎনবা নংগী পুন্সি নুংতিগী খৃষ্টদা ঙাজব্রা? ঙায়------------- ঙাদে--------------*
*ঙাদ্রবদি, হায়জৌ অমসুং হৌজিক্তগী হৌনা নংগী পুন্সি অদু ঙাজৌ অমসুং অয়ুক খুদিংগী অহানবা থবক ওইনা তৌবা হৌরো।*

*৩) **থৱাায়** চাওখৎনবা দরকার লৈবা থাজনবগী পোৎশিংদু থিজিন্দুনা নংগী পুন্সিদা তিনশিনব্রা অমসুং মদু মপূং ফাবা মওংদা ওননবা তৌরিব্রা? তৌই--------------- তৌদে----------------*
*তৌদ্রবদি, হৌজিকমক তৌবা হৌরো। ঈশ্বরদা হায়জদুনা অমসুং হংজদুনা মদু তৌনবা হৌরো।*

*৪) **থৱাায়** চাওখৎনবা নংগী পুন্সিদগী ঈশ্বরনা করি করি লৌথোকপা দরকার লৈবগে?*

*নংগী পুন্সিদগী অসিগুম্বা লানবলশিং অসি লৌথোকখিনবা ঈশ্বরদা পুক্নিং হোঙদুনা হায়জৌ অমসুং মখোয়শিং অদু **থৱাায়** অশেংবগী ওইবা পোৎশিংনা শিন্জিন্দুনা)*

*৫) **থৱাা**য়দা চৎননবা নংগী **ৱাা**খল অদু **থৱাা**য়গী ওইবা পোৎশিংদা লৈননবা থিব্রা? থি--------------- থিদে-----------------*
*থিদ্রবদি **থৱাা**য়গী ওইবা পোৎশিংদা নংগী **ৱাা**খলদু লৈননবা ঈশ্বরদা হায়জবা হৌরো।*

*৬) নংগী পুন্সিদা ঈশ্বরগী অনিংবা অদু খঙবা অমসুং তৌবনা খ্বায়দগী মরু ওইনা লৌব্রা? লৌই---------------- লৌদে-----*
*লৌদ্রবদি, নংগী পুন্সীদা খ্বায়দগী ইহান হানবা তৌফম থোকপা ইথৌনি হায়না হৌজিকমক লেপলো।*

***শাশত্র নিংশিংগদবা:*** ***লুক ৯ : ২৩*** *চিন্ফা পুদুনা থম্মোয়দা লৈযদননা থম্বীয়ু।*

*থৱাায় চাওখৎন্নবগী তাঙ্কক অহুম*



### *যুম্ফম-ওইবা খৃষ্টিানগী পুন্সি*
### *তরুকশুবা পারা*
### *থৱায়গী চিঞ্জাক*
### *(প্রাথনা অমসুং বাইবল তম্বা)*

*(ক) প্রাথনা*

***শাশত্র তম্বা***: *পীরীবা শাশত্রশিং অসিগী মতুং ইন্না পাওখুম খুদিমক খুমবিয়ু ।*

*১) ঈশ্বরগা ৱারি শান্নবা ঈশ্বরগী মফমদা করম্না চংগদগে?* *ঈশৈ ১০০:৪; ১ তিমথি ২:৮*

*২) ঈশ্বর থাগৎপনা ঐখোয়দা করি মতেং পাংবগে?* *এফিসিয়া ৫:১৮-২০*

*৩) ঈশ্বরদা প্রাথনা তৌবগী মওং/লম্বী অনিদু করিনো?* *১ কোরিন্থীয় ১৪:১৫*

*৪) থৱায়দা করম্না প্রাথনা তৌগদগে?* *রোমী ৮:২৬; ১ কোরিন্থীয় ১৪:১৪*

*৫) থৱায়দা প্রাথনা তৌবদা করি ওইবগে?* *য়িহুদা ২০*

*৬) খঙবগা লোয়নননা করম্না প্রাথনা তৌগদগে?* *মথি ৬: ৫-১৩*

*৭) প্রাথনাদা হায়জনবা ঈশ্বরনা হায়বা পোৎশক খরদু করিনো?*
*মথি ৫:৪৪; ৯ :৪৮; ঈশৈ ৩২ : ৫-৬; ১২২: ৬; য়েমস ১:৫; ৫:১৬চ ১ তিমথি ২:১-৩*

*৮) করম্বা কান্দা ঐখোয় প্রাথনা তৌগদগে?* *১ থেসালোনী ৫:১৭; লুক ১৮:১*

*৯) করিগুম্বদা য়েক্রুববু মায়থীবা পীনবা ঐখোয়গী প্রাথনাদা করি তিনশিনবা দরকার লৈবগে?*
*মথি ১৭: ২১*

*১০) ঐখোয়না যীশুগীদমক হিংলবদা, ঐখোয়গী প্রাথনাগীদমক মহাক্না করি ৱাশকলম্বগে?* *১ য়োহন ৩: ২২ ; ৫ : ১৪*

*১১) করি তৌবনা ঈশ্বরনা ঐখোয়গী প্রাথনা তাবিদবগে?* *য়েমস ৪:৩; ঈশৈ ৬৬: ১৮; ১ পিতর ৩:৭; মাক ১১: ২৫-২৬*

*১২) মসিগী অথিংবশিংসি লৌথোক্লবা করি তৌবা তাবগে?* *১ য়োহন ১: ৯*

**মরুওইবা ৱাহংশিংঃ** *নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্লনবা ।*

*১) নংনা প্রাথনা তৌবদা থাগৎপগী থম্মোইগা লোইননা ঈশ্বরগী মফমদা চংজব্রা? চংজৈ---------------- চংজদে------------ মসিদা করিগুম্বা অরানবা লৈরবদি, ঈশ্বরদা প্রাথনা হায়জবা হৌরকপদা ঈশ্বরবু থাগৎপনা হৌ।*

*২) নখোয় ঈশ্বরগী থৱায়না থননবা ঈশ্বরগী মফমদা য়াজব্রা? যাজৈ------------------ য়াজদে------------------- য়াজদ্রবদি, নংগী অনিংবদু ঈশ্বরগী মফমদা পীসিন্দুনা অমসুং ঈশ্বরগী থৱায়না থনজনবা ঈশ্বরদা হায়জরো। নংগী থম্মোয়দগী মদু তৌবা হৌনবা ঈশ্বরবু থাগৎপা হৌরো।*

*৩) থৱায়না প্রাথনা তৌদুনা নংনা নংগী থাজবা অদু চাওখৎহনব্রা? চাওখৎহনলি------------------ চাওখৎহন্দে------------ তৌদ্রবদি, মদু হৌজিকমক তৌবা হৌরো।*

*৪) ঈশ্বরনা প্রাথনা তৌ হায়বা পোৎ অদুদা ঈশ্বরগী মওং মতৌ লৌদুনা নংনা প্রাথনা তৌব্রা? তৌই------------------- তৌদে------------------ তৌদ্রবদি, ঙসিমক হৌরো।*

*৫) ঈশ্বরনা নংগী প্রাথনা তাবদা অথিংবা ওইবা পোৎশিং নংগী পুন্সিদা লৈব্রা? লৈ---------------- লৈতে--------------- লৈরবদি, হৌজিকমক পুক্নিং হোঙলো।*

*৬) নংগী পুন্সিদা থেংনরিবা ৱাথোক (ফীভম) শিং অদু লৌখত্তুনা অনম্বা মতমদা প্রাথনা তৌব্রা? তৌই--------------- তৌদে------------------ তৌদ্রবদি, হৌজিকমক ঈশ্বরগী মফমদা প্রাথনাগী থৱায় পীবীনবা হায়জরো।*

*৭) করিগুম্বা মতমদা নংনা অরুবা ৱায়েমদগী মায় পাকননবা হোৎনবদা ব্রত তৌখিবা য়াওব্রা? য়াওই----------------- য়াওদে----------------- যাওদ্রবদি, ঙসিদগী তৌবা হৌরো।*

**শাশত্রা নিংশিংবাঃ** <u>**১ তিমথী ২:৮**</u> *চিন্খা পুদুনা থম্মোয়দা লৈযদননা থম্বীয়ু।*

## <u>(খ) বাইবল</u>

**শাশত্র তম্বীবাঃ** *পীরীবা শাশত্রশিং অসিগী মতুং ইন্না পাওখুম খুদিমক খুমবিয়ু ।*

*১) মীওইবনা করিনা হিংবা তাবগে?* *মথি ৪:৪*

*২) খৃষ্টিন অমা ওইনা, থৱায় চাওখৎনবা করি চাবা দরকার লৈবগে?* ১ পীতর ২: ১-৩

*৩) বাইবলবু করম্না ঈশ্বরদগীনি হায়না থাজগদগে?* ২ তিমোথি ৩:১৬

৪) হায়রম্বগী মতুং ইন্না হিংবগী মথক্তা ঈশ্বরগী ৱাহৈনা তাকপীবা তৌফম থোকপা থবক তরুক্তু করি করিনো?
এফিসিয়া ৩:৪; ২তিমোথি ২:১৫; ঈশৈ ১:১-২ ১১৯:১১; ১ য়োহন ১:১-৩; ইব্রিয় ২:২

(ক)
(খ)
(গ)
(ঙ)
(চ)
(ছ)

৫) ঈশ্বরগী ৱাহৈ তম্বদা ঈশ্বরনা করম্না ঐখোয়গী মতেং পাঙবগে?   য়োহন ১৬: ১৩-১৪

৬) ঈশ্বরগী ৱাহৈ তম্বনা ঐখোয়গী থজবদা করি ওইহনলকপগে?   রোমী ১০: ১৭

৭) ঐখোয়না ঈশ্বরগী ৱাহৈ তম্বা অমসুং য়াওমিন্নবনা করম্না য়েক্লবগে মায়ওক্লবদা মতেং ওইবগে?   ইব্রিয় ৪:১২

৮) ঈশ্বরগী ৱাহৈদা হিংবা মখোয়শিংগীদমক প্রভু যীশুনা করি হায়বগে?   য়োহন ৮: ৩১-৩২

**মরু-ওইবা ৱাহংশিং**ঃ নখোয়না তমখ্রিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্নানবা ।

১) ঈশ্বরগী ৱাহৈনা নুমিৎ খুদিংগী নংগী থৱায়দু পীজব্রা? পজৈ------------- পীজদে----------------
পীজদ্রবদি, ঙসিদগী হৌরো।

২) নংগী থম্মোয় অমসুং ৱাখল শেংনা থম্নবা অমদি নংগী পুন্সিগী সমস্যাশিং থেংন্নবা ঈশ্বরগী ৱাহৈশিং অদু নংনা মুন্না খন্থদুনা অমসুং চিনফা ফাদোক্তুনা থম্ব্রা?
থম্ব্রা--------------- থমদব্রা------------------- থমদ্রবদি, ঙসিদগী থম্বা হৌরো।

৩) নংনা ঈশ্বরগী ৱাহৈ তম্লিঙৈদা ঈশ্বরনা ফোঙদোরকপা পোৎশিং অদু ঈশিন্দুনা থম্লগা অদুগা অমুক তুংদা কোন্না মুন্না খন্থব্রা? থম্ব্রা---------------- থমদব্রা------------------ থমদ্রবদি, ঙসিদগী থম্বা হৌরো।

৪) নংনা ঈশ্বরগী ৱাহৈদগী ফংলকপা কান্নবশিংদু অতোপ্পা মীশিংগা শরুক য়ামিন্নদুনা মখোয়দসু কান্নবা ফংহনব্রা?
ফংহনলি-------------- ফংহন্দে--------------- ফংহন্দ্রবদি, ঙসিদগী ফংহনবা হৌরো।

৫) শাশত্রশিং নিংশিংহন্দুনা মদু ইথোকহল্লু।

***শাশত্র নিংশিংবা***: ***<u>২ তিমথী ৩:১৬</u>*** চিন্হা পুদুনা থম্মোয়দা লৈযদননা থম্বীয়ু।



থৱায়গী মী মপাঙ্গল কননবা নুমিৎ খুদিংগী প্রাথনা তৌ অমসুং ঈশ্বরগী ৱাহৈ তাও।

### *যুম্ফম-ওইবা খৃষ্টিয়ানগী পুন্সি*
### *তরেৎশুবা পারা*
### *থৱায়গী শাজেন*
### *(য়াওমিন্ন দুনা অমসুং সাক্ষী পীনদুনা)*

*(ক) যাওমিন্নবা (অমগা অমগা তিন্নবা)*

***শাশত্র তম্বাঃ*** *পীরীবা শাশত্রশিং অসিগী মতুং ইন্না পাওখুম খুদিমক খুমবিয়ু ।*

*১) করিগুম্বা ঐখোয় যীশুগীদমক হিংল্লবদি করি তৌবা ঙমগদগে? ১ য়োহন ১:৭*

*২) অমগা অমগা তিন্নবা করিগী দরকার লৈরিবনো? ইব্রিয় ১০:২৪-২৫*

*৩) ঈশ্বরবু নুংশি হায়বসি ঐখোয়না করম্না খঙগদগে? ১ য়োহন ৪: ২০-২১ ; ৫:২*

*৪) ঐখোয় যীশুদা লৈ হায়বসি অতোপ্পনা করম্না খঙগদগে? য়োহন ১৩:৩৫*

*৫) অতোপ্পা ঈশ্বরবু থাজবশিংদা (খৃষ্টিয়ান) করম্না ঈশ্বরগী নুংশিবদু উৎকদগে?*
*১ য়োহন ৩: ১৭ ; গালাতীয়া ৬:১০; য়েমস ১: ২৭; ২:১৪-১৭*

*৬) ঐখোয় কনাগা শরুক য়ামিন্নরোইদবগে? পাওরৌ ১২:২৬; ১ কোরিন্থীয় ১৫:৩৩; ২ কোরিন্থীয় ৬:১৪*

***মরু-ওইবা ৱাহংঃ*** *নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্লানবা ।*

*১) নংনা অতোপ্পা খৃষ্টিয়ানশিংগা শরুক য়ামিন্নদুনা নংগী থৱায় চাওখৎননবা থিব্রা? থি---------------- থিদে------------ থিদ্রবদি, ঙসিদগী থিবা হৌরো। নংগা শরুক য়ামিন্নগদবা ঈশ্বরনা পাম্বা মীওই অদুদা চিংশিনবিনবা ঈশ্বরদা হায়জৌ।*

*২) ঈশ্বরবু কয়াম্না নুংশিবগে উৎনবা নংনা অতোপ্পা মীওইশিংদা মরুওইনা খৃষ্টিয়ানশিংদা তাঞ্জা ফংবদা পেননবা সেবা তৌব্রা? তৌই-------------- তৌদে---------------- তৌদ্রবদি, পুক্নিং হোংদুনা অমসুং ঈশ্বরদা থম্মোয় শেংনা তৌননবা মতেং নিজৌ।*

*৩) যীশুবু নুংশিদবা/থজদবা মীওইশিংগা লোয়ননা নং শরুক য়ামিন্নব্রা? যামিন্নে--------------- য়ামিন্নদে------------- য়ামিন্নদ্রবদি, পুক্নিং হোংদুনা অমসুং ঈশ্বরদা যীশুবু নুংশিবা অমসুং মাগীদমক ফংননবা থিরিবা খৃষ্টিয়ানশিংগা শরুক য়ামিননবা থিবদা মতেং পাংন্নবা হংজৌ।*

***শাশত্র নিংশিংবা:*** ***ইব্রিয় ১০:২৪-২৫*** *চিন্ফা পুদুনা থম্মোয়দা লৈযদননা থম্বীয়ু।*

## *(খ) সাক্ষী পীদুনা*

***শাশত্র তম্বাঃ*** *পীরীবা শাশত্রশিং অসিগী মতুং ইন্না পাওখুম খুদিমক খুমব্বিয়ু ।*

*১) ঈশ্বরনা ঐখোয়গীদমক পীরবা থৌজালশিংগী মনুংদা ওইরিবা থৌজাল অমদু করিনো?     ২ কোরিন্থীয় ৫:১৮-১৯*

*২) ঈশ্বরগী মচা অমা ওইনা ঐখোয় করি থৌরম তৌবা তাবগে?     ১ পীতর ৩:১৫*

*৩) ঐখোয়না নোংমগী তৌফম থোকপা ইথৌশিংগা লোইননা ঐখোয় করি তৌবা তাবগে?     মথি ১০:৭-৮*

*৪) করন্না অমসুং কদায়দা ঐখোয়না যীশুগী শাক্ষী পীগদগে?     পাওখোলচৎপ ১:৮*

*৫) মাঙলবা মালেম অসিগী মতাংদা থৱায় অশেংবদা নৈনরীবা পোৎশক অহুম অদু করি করিনো?     য়োহন ১৬:৯-১১*

*৬) পোলনা চৎপা মফম খুদিংদা শরুক য়াম্নিন্নখিবা পোৎশক অনিদু করি করিনো?     পাওখোনচৎপ ২০:২১*

*৭) মখাদা পীরীবা শাশত্রশিং অসিগী মতুংইন্না পীরিবা মরুওইবা অফবা মপাও অদু করি করিনো?*
*রোমী ৩:২৩; ৬:২৩; ৫:৮; ২:৪; ১০:৯-১০; ৬:১৭-১৮*

*৮) ঐখোয়না ঈশ্বরগী মীংদা চৎপা মতমদা ঈশ্বরনা পীবা য়াথং অমসুং প্রাশক্তু করিনো?     মথি ২৮:১৮-২০*

***মরুওইবা ৱাহংঃ*** *নখোয়না তমখিবা অদুগী মতুং ইন্না হিংবা ঙম্নানবা ।*

*১) নংনা নংগী নুমিৎ খুদিংগী তৌফম থোকপা নথৌ তৌনা তৌনা কনাগুম্বা মীওইদা যীশুগী মতাংদা হায়বা য়াওখ্রব্রা?*
*যাওই----- য়াওদে--------অতোপ্পশিংদা য়াওদ্রবদি, পুক্নিং হোংদুনা অমসুং শাক্ষী পীবদা মতেং পঙন্নবা ইশ্বরদা হায়জৌ।*

*২) নহাক্না অতোপ্পশিংদা পুক্নিং হোংবা অমসুং যীশুগীদমক হিংবা দরকার লৈ হায়না হায়বিব্রা নল্রগা নহাক্না পুক্নিং হোংবা হায়বা পোৎলকসি থৈদোক্লব্রা ? হায়বী----------- থৈদোক্লম্মী----------- থৈদোক্লবদি, অশেংবা অচুম্বা ৱাপাওদু শন্দোকপা ঙম্নবা ঈশ্বরগী মফমদগী থৌনা হাপ্পীনবা হায়জৌ।*

*৩) যীশুগীদমক হংন্নবা মখোয় মখোয়গী থম্মোয়দা যীশুগী মফমদা হংজবা মীওইশিংদা নংনা নিংথিনা তাকপীদুনা লম্বী শেন্নবা হোৎনব্রা? তাকপী------------- তাকপীদে--------------- তাকপীদ্রবদি অসিগী পারা অসিদগী তমখিবশিং অদু মখোয়গা শরুক য়াম্নবা হৌরো।*

***শাশত্র নিংশিংবা:*** ***১ পিতর ৩:১৫*** *চিন্ফা পুদুনা থম্মোয়দা লৈযদননা থম্বীয়ু।*



*থৱায়দা মপুংফানা চাওখৎনবা ঐখোয়না নুংতিগী শাক্ষী পীবা দরকার লৈ।*

*ঈশ্বরগী মফমদা মাগী মাগী পুন্সিগী অঙকপা পান্দমশিং লৈ। অদুগুম্বা পান্দমশিংদু ফংনবা অমসুং মপূং ফানবা ঐখোয়না মখোয়গী মতেং পাংনিংই। করিগুম্বা  নং নপ্রগা নংনা খঙবা কনাগুম্বা অমনা হেন্না তমনিংলবা, প্রাথনা, নপ্রগা মরি মখোং থিদুনা নংনা নপ্রগা মখোয়না অতোপ্পাশিংগা ফনা থবক তৌমিন্নদুনা নংনা নপ্রগা মখোয়না হিংলিবা মফম অদুদা যীশু মরমদা তাক্লিংলবদি ঐখোয়বু থেংনবীয়ু*

- *ঐ মখা তানা তম্থনিংই। চানবীদুনা,* BASIC *না শেম্বা কেটলোগ অদু থাবীরকউ।*
- *চানবীদুনা, অতেনবা ৱারেং অমসুং সাহিত্যগী অচম্বা পেকেৎ অদু থাবীরকউ।*
- *ঐনা হিংলিবা মফম অদুদা অতোপ্পশিংগা লোয়ননা যীশুগী মপাও তমনিংই।চানবীদুনা, মরুওইবা মরি মখোংশিংদু থবীরকউ।*
- *ঐগী হায়জবা প্রাথনা অমা লৈ।*

**BASIC INSTITUTE REQUEST FORM**

মসিগী পারা অসি নহাক ৷ অতোপ্পদা তম্বিবা ঙমনবা করিগুম্বা পারা অসি মখা ইংগ্রাজিদা চৎথবা পামলবদি,
চানবিদুনা ঐখোয়দা পাও ফাওদোকপিরকউ ।

NAME ________________________________________

ADDRESS _________________________________________

CITY__________ STATE_____________ ZIP________

COUNTRY____________________

HOME PHONE _______________________

I would like to train in English.

WORK PHONE ________________________

Please send me the BASIC Institute Catalog.

CELL PHONE _________________________

BEEPER ______________________

FAX ____________________________

EMAIL _____________________________

I have a prayer request.
(Please put on back)

## Mail To:

BASIC Institute
P.O. Box 431
Kiln, MS 39556 U.S.A.
Or
Phone (228) 255-9251 / Fax (228) 255-8927
Email basic@basicministries.com
Web page www.basicministries.com

মসিগী নৈনবা অসিনা করিগুম্বা নঙবু বোর ফংহল্লবদি মী অতোপ্পদা Copy অমা পীবিয়ু। ঐখোয়গী website তগী মসি নমথোকপদসু য়াই। www.basicministries.com.

OR

OBTAINED DIRECTLY FROM THE PUBLISHER.
BE SURE TO WRITE IN ENGLISH, AND TELL US THE LANGUAGE YOU WANT.

WRITE TO:

BROTHERS & SISTERS IN CHRIST
P.O. BOX 431
KILN, MS 39556
U.S.A.

Phone (228) 255-9251

Fax (228) 255-8927

Copies are available by Email
Send your request to basic@basicministries.com
Or
Visit our web site
www.basicministries.com

COPIES ARE AVAILABLE IN OTHER LANGUAGES.
CONTACT US FOR MORE INFORMATION.

পুন্সি অসি করিগী মতাংদনো হায়না নহাক□ া ৱাখল তৌব্রা?

নহাক্কী সমশ্যাশিংগী হৌরকফম অমসুং মখোয়বু করন্না খুদুম চনগদগে হায়বদু নহাক□ া খঙনিংব্রা?

খৃষ্টগী তুংইনবশিংগী ওইবা মাই পাকপা পুন্সি অদু করন্না তৎতনা হিংগনি হায়বদু নহাক□ া খঙনিংব্রা?

খৃষ্টগী তুইনবশিংগী ওইবা পুন্সি মহিং অদু নহাক্কী মর¦প অমদা নত্রগা নুংশিজবা অমদা হায়নিংব্রা?

!! অদুওইরবদি মসিগী লাইরিক অসি নঙগীনি !!

খোমজিনজবা ঃ

Bro. Henry Pulsifer

অমসুং

য়েকথোকচবা

Paula Mingucci

মাই পাকপা পুন্সি অমা হিংনবা হোৎনবদা নঙবু মতেং পাংনবগীদমক মসিগী পারা অসি শেম্বনি। মসি মথং মনাও নাইনা চৎথবা পরাশিংদুগী মনুংদা অমনি। Bro. Henry না যীশুগীদমক চহি ৪০ হেন্না হিংবদগী ফংলকখিবা মাই পাকপা অদু মানা থেংনরে। মহাক্কী মাই পাকপা অদুগী মনুংচনবা অমা ওইরিবা অদুদি মহাক□ া পুন্সিগী লম্বীদা Cross পুদুনা চৎলিঙৈদা ঈশ্বরনা মহাকপু Cancer দগী ফহনবিখি। মহাক্কী অনাবা ফখিবদগীদি মহাক□ া পৃথিবীগী মফম কয়াদা চৎতুনা যীশুবু শন্দোকখি। অদুগা যীশুগীদমক হিংলগা অমসুং ঈশ্বরনা শেমবিরমবা পান্দম অদু থুংহল্লগা মাই পাকপা করন্না ফংগদগে হায়বদু মীশিংনা খংনবা হোৎনবদা মহাক□ া মতেং পাংলকখি।

মহাক□ া থেংনরকপা অদুদগী বিশোই মখল কয়াদা য়ুমফম ওইগদবা পারা কয়া অমা খোমজনখি। মদুদি মীবু গ্যান তাহন্নবা অমসুং মর¦ওইবা বাইবলগী নিয়মশিং অদুগী মতুং ইন্না হিংলগা পুন্সিদা মাই পাকপা পুরকনবনি। নুমিৎ খুদিংগী যীশুগীদমক হিংলগা নঙগী নশাগী পুন্সিদা মাই পাকপা ফংবদা মতেং পাংনবগীদমক মসিগী অকক□ বা নৈনবা অসি শেমবনি। নঙনা অতোপ্পবু তম্বীবদা মসিনা মতেং ওইগনি। অমসুং মসি নথন্□ া নত্রগা ময়াম নৈনবদা য়ান্না কান্নে।

COPYRIGHT 1990 ALL RIGHTS RESERVED
ফোংলিবা মী অসিগী অয়াবা য়াওদনা লাইরিক অসিগী সর¦ক অমফাওবা নমথোকপা য়ারোই। করিগুম্বা মমল অমত্তা লৌদনা য়েনথোকপা ওইরবদি অসিখক্তদা, য়েনথোক্লিবা সর¦ক অদুমক নমথোকপা য়াই। লাইরিক অসি ফংবগীদমক মতিক চাবা থাগৎ ৱাহৈ অদু পিবিগদবনি।

PUBLISHED BY:

BROTHERS & SISTERS IN CHRIST
P.O. Box 431
Kiln, MS 39556
USA

Phone (228) 255-9251
Fax (228) 255-8927
Email basic@basicministries.com
On the web at www.basicministries.com